# কৈদৌঙৈদনো, সনা লৈবাক মণিপুরসে সনাদা সনা ওইরক্কদবসে?

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

সনা লৈবাক মণিপুর মণিপুর
কোলোই নঙগী মণিপুর মণিপুর
লাইজনুংগী মনি নারক্কী লৈরাং
পিক্তক্লা মঙাল চাউবীনি।

মণিপুরগী শক্লাইরবা ঈশৈ ইবা জয়ন্তকুমার শর্ম্মনা শৈরেংবা রুপরাগনা শকপা ঈশৈসে অঙাং ওইরিঙৈদগী তারক্লবা ঈশৈনি। হঞ্জিন হঞ্জিন তাবগী পেনবসু নাইদে। অসিগুম্লবা ময়েকসু, শৈহেক শৈদাসু, তানসু সিমদি ৱাৎলি হায়নীংঙাই লৈত্রবা ঈশৈ অসিবু ষ্টেটকী ঈশৈ ওইনা লাউথোরকপদা পূক্লিংসে কয়াগী মতিক লূমজখিবা। হায়জ রিবসে ইথনখক্তগী ওইরম্লোই, মীপূম খুদিংমক্কী থম্মোয়সু নুংঙাইবনা পুমথন থল্লমগনি। হেক তাবগা তু-মান খ্যাও-খ্যাও চুংলগা মীত্তগী পি শিন্থগে তৌই হায়বসিমদি পঙহায় হায়জিনবৈ ৱা নত্তে। অসুক য়াম্না নুংশিনা অদুক্কী মতিক ফজনা শৈথাবা ঈশৈসে রুপরাগ খঙদে অতোপ্পা অমা খঙদে ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম লোইশিনবদা শৈরোই ঈশৈ ওইনা মতেক খরদং শক্লগা লোইশিনখিবদুমদি কনাদবু তাইনরুনি খঙদনা ৱারৌখিবনি। অদুবু ঙসিদি ঈশৈ অসিগা চুনবা মতিক চাবা মফম অমা থন্বীরকপসে কয়াগী মতিক পেঞ্জরবা!

লম্মীৎ-তুমিৎ, চীং-পাৎ-তুরেল, লৌবুক-লম্ফাং, উপাল-ৱাপাল, মেলৈ-লৈস্না, কোম্বীরৈ, থরো থম্বাল থারিকথা, লৈবাক্লৈ, শিরোই লিলিনচিংবা লৈরাং, মখল মথেল, হৈরাংশিং, শজি-শঙাইনচিংবা মখল কয়া, নোংইন্নচিংবা পোম্বী চেক্লাশিং, পেঙবা শরেংনচিংবা ঙা মখল মখলশিং পূম্নমক অসিনা ৱাত্ত-পাদবী, য়েংলু য়েংলুবা খুদিংমক্তা ইনুংতা নুংওলহল্লি, ইনুংতা নুংশিহল্লি। পূক্লিং হুদববু করি লৈরিবগে? পূম্নমকসিগী মথক্তা নাৎ-কলচরগী মবুক থল্লবী পুক্কৈনা সনাগী মথক্তা তম্ফা থিনবগুম্মী। আর্ট-লিটরেচরগী হীরমদসু অদুমঙায় অরিবা পুয়াদগী হৌরদুনা করিবু অৱাৎপা লৈরিবগে? ঐখোয় ইশাগী ওইবা পুৱারী, লাইনীং লীচৎ লৈজরিবনি। অকন-অথৌ কয়ানা ঙাক শেনবীদুনা শেন্মীৎলোনবু ওইগেরা, লৈঙাক থৌরমনিবু হায়রসু মীপান তাংদনা ইরোমদোম খূৎকন পাঙ্গন্না হিংলম্মী হায়বসি পুৱারীগী লমায়দা মুৎপা নাইদ্রবা ময়েক্লা ইদুনা লৈরিবনি। মথং মনাও নাইনা পাল্লকখিবা নিংথৌশিং মৈদিংঙু ক্যাম্বা, মৈদিংঙু কবোম্বা, মৈদিংঙু মুংয়াম্বা, মৈদিংঙু খাগেম্বা, মৈদিংঙু পামহৈবনচিংবগী হাক্তক্তদি মণিপুরগী ঙমখৈসে কয়াদা পাক শন্না শন্দোক্লমখ্রবা! কবো তম্পাক্কসে ঐখোয়গী ওইরম্লিবনিকো! খল্লুবদা চাকইদা! চীংদবু কারবসু তমদবু কূম্লবসু মহৌশা লাইরেম্বীগী খুদোলনা ঐখোয়বু তরাম তরাম্না ওক্তুনঙাক লৈরিবনি। শিদ-হীদাক য়াওনা হীদাক পাম্বী কয়ানা তাইবঙ থৱায় য়োকপীরিবনি। লমদমসিগী লৈবাক লৈহাওদা হুনখিবা মরূদি মহৈ য়ান্দবা য়াদে। পূম্নমকসিগী হায়রুরবদি হী-য়াই পোকপী লমদমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। লী-ৱাগী পোত্থোক পুথোকপদা, ফিশা লোনশাগী থবক্তা ময়েক মশোন হাপ্পদা মীঙোন্দগী করিসু নোপথবা নত্তে। চেঙদা হায়রসু পোইরৈতোন্না মচননুপী লাইস্নাদা খুদোল তন্নকখিবা চাকহাও অমুবগী মতিক ময়াই মালেমগী মীয়াম্না শোন্নবা হৌরক্লবনি। শীংথাবগী লোইবা নাইররোইদবা মণিপুরগী পুক্কে লনগৈনি।

অসুম্না সনাদা সনা ওইবদগীসু হেন্দোক্তুনা হী-য়াইগী ঈফূৎনি হায়বা য়ারবা মণিপুরনি। খন্নবা য়াবা ৱাফমদি অসুক্কী মতিক মমল য়াম্লবা পুক্কে লনগৈ লৈনা লৈনা অৱাৎপনা শৌ শারিবসিবু করিগীনো? ম্যান্মারগা তাইনবা ঙমখৈদনা ঙমখৈ য়ূম্বীনা লমথোই লমহেল্লকপগী ৱাথোক্লা থম্মোয় লাইমন ওইহল্লিবসিবু হৌনরিব্রনে? মমাঙঙৈগী পাঙ্গল লৌশিং চঙখোল্লবা লৈঙাক্লোইশিং অকন অথৌশিং ইপা ইপুশিংগী থৱায় মিরেলশিংদুনা ঐখোয়বু করি ওইনা খল্লমগদৌরিনো খঙদে। *পাঙদেদকো ইচা ইশুশা* হায়রমদৌবা মাল্লি। চীংশাং নাপোম, লৌবুক-লমহাং, পাৎ তুরেল পূম্নমক তম্ফা খুদোপ য়াইওইবী ঙাক্তনি। থায়নদি মীপান তাংদনা হিংলম্মী হায়বসিমদি য়েৎননীংঙাই ওইদবরা খল্লি। থুম ফাওবা মপান্দগী পুশিল্লকখিদে। মৈতৈ থুম্পাক হায়নরিবনি, চন্নদবা লৈতে। ঈরাৎ থৌনিগী থৌরম, নাৎ-কলচরগা শাগোন্নদুনা লাকখিবা থুম্নি। অকন অথৌ লৈবাক্কী মশক নাইবা থবক পাঙথোকপা ঙম্বশিংদা পীবা মনাদা থুম য়াওনরম্বগী ৱাফম থেংনৈ। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু থুমখোংশিংবু চেকশিন্না ঙাক-শেনবীদুনা থুম শুংবগী থবক্তা পূক্লিং থৌগৎলম্মী। হৌজিক্তি থুমখোং লৈরম্মী, থুম শুংলম্মী হায়বসি মমাঙঙৈগী ৱারী ওইরে। ইরমদমগী খূৎহৈবশিংনা শুংবা শাবা য়োৎকী খূৎশু খূৎলায় থাঙ-তাশিংগী মতেংননি, অথৌবা ইপা ইপুশিংনা য়েক্লবা কয়াগা লম্বা পান্নখিবদু। ঙসি ফাওবা ইবুধৌ খম্লাংববু য়োৎশং য়োৎশাগী লাইনিংথৌনি হায়না চেৎনা লুনা থাজবগা লোয়ননা লাৎচরিবনি। য়েলহৌঙৈদগী লৈজরম্বা য়োৎশুং য়োৎশাগী থবক মমি শামখিবদু অওনবা মতমগী খোঙচৎনা ওইহনবনি হায়বদু য়ারগে। অদুবু লাইবক থীবদি হৌজিক্কী মতমগা চুনবা য়োৎশুং য়োৎশাগী ওইবা ইন্দষ্ট্রি লিংবগী মমি ফাওবা তমদ্রি। মীয়ামগী থবক তৌগনি হায়না চোঙথোক্তুনা পোঙনা ফন্না লাউ খোংলিবা কাঙবুসু হৈরে শিংলে খঙলে শেঞ্জাও পায়রে হায়রিবশিংসু হীরম অসিদা মীৎয়েং থম্বা অমদি কোক থাদবগী ফীভম হৌজিকমক্কী ওইনদি উবা ফংদে।

ফিশা লোনশাগী থবক্তদি শীংথাবগী লোইনাইদে। নুংনাংলিবদি অনৌ অনৌবা টেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা শাবা ফিগী অচৌবা ইন্দষ্ট্রি অমা ফাওবা লিংখৎপীদবসিনি। বোম্বে কটন মিল, জামসেদজী টাটাগী ইম্প্রেস কটন মিলখোয় লিংখৎখিবদু তরা মাপলশুবা চহীচাগী তঞ্জাই চল্লকপদনি। মালেম পূম্বগী ওইনা য়েংবদা ফি শাবগী ইন্দষ্ট্রিদা ইন্দিয়ানা অনীশুবা থাক্তা লৈরে হায়। অদুবু মণিপুরদি জিরোদা লৈরি হায়বা য়াই। খূৎনা খরা খরা শাজবসিফাওবদা দেল্লী, বেঙ্গলুরুগী পোত্থোক্লা য়োৎশিনখিগদৌরে হায়না লাউনরিসিনি। লোইতাং খুনৌগী স্পিনীং মিলদুনা কমদৌখ্রজাৎনো? ঐখোয়গী চীংগী লৈহাওগা চু পাম্বীগা চান্নজখ্রপোৎনি। কৈদৌরুনি চিনিগী ফেক্টরি অমত্তা লৈত্রবদি মপান্দগী চিনি বোরা হোঞ্জল্লকপা মশানা তাবনি। চীংগী দিষ্ট্রিক্ট খরগী লৈহাওদা সিমেন্টকী চাং ৱাংনা য়াওবগী ৱারীসু তাখ্রে। মায় পাকখিদ্রবা হুন্দুংগীদু নত্তনা মখা তাবা থৌরাং লৈ হায়বা তাদে। ৱাংখৎনরিবা বিল্ডিং মথোন মথোন ময়ামসিদা চঙখিবা সিমেন্টকী পৈশাশিংদো মীগী শেঙ্গাওদা চঙখ্রবনিকো। লৌমীনা মশীং য়াম্বা লমদম অমা ওইরবসু মপান্দগী পুশিল্লকপা চেঙ কেজি মশীং শুই শুদে লাউনবনা টি ভি, পাউচে, সোসল মীদিয়াকসে ওন্থোকপা মতৌ অমা ওইরিবনি। ঈথৈ লৌখোং মতিক চারবদবু চেঙ আলু, তিলহৌ, মোরোক, চনম, হৱাইনচিংবা কৈদৌবগী মীঙোন্দা তরেৎ শেঞ্জা পীথোল্লগা লৈরুদোইনো? ঐখোয়গীসে পোত্থোক মরাং কায়না পুথোকপা অমদি শেন্দোং লৈনা য়োনবা ঙমজনবগী থৌশিল থৌরাং হায়বদু করিনা থমাইখ্রজাৎনো খঙদে। ঐখোয় ইশাগী হীদাক পাম্বীনা খুরক হাংদখৈ হৌরবসু মীগী হীদাক কম্পেনিশিংনা খুদুম চনশিল্লক্লি। লাক্কদৌরিবা মীখলদা থাগৎলক্কদৌরিবা মীহুৎ হুম্ফমুক্তু ঐখোয়গী লৈজরিবা ইরলশিং অসিবু ঙাক শেনবীবা ঙম্বগা লোয়ননা শেন্মীৎলোন চাওখৎনবা অমদি নাৎ-কলচর য়োকখৎনবা তুং কোয়বা থৌশিল শেম্বদা মায়পুনবা থৌদাং লৌদুনা সনা লৈবাক মিংলেনগী মগুণ মতম চূপ্পদা ঙাকপা ঙমহনবীয়ু হায়না লাইদা হায়জবা হায়দুনি। নৎত্রবদি সনা লৈবাকনি হায়রগা শুম লৈরনি। ●

ষ্টেটকী পাউ

## গুৱাহাটিদা মীফম য়াওরুনবা ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর গভর্ণমেন্ট দ্রাইভর্স এন্দ টেক্নিসিয়ান এসোসিএসনগী চীফ এদভাইজর এস ইবোপীশকনা লুচিংবা মেম্বরশিং নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেট গভর্ণমেন্ট দ্রাইভর্স ফোরমগী মীফম অমা গুৱাহাটিদা য়াওরুনবগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়না লুপ অসিগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি এল বোবিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মীফম অদুদা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট গভর্ণমেন্ট দ্রাইভরশিংগী ৱাফম কয়া পুখৎতুনা খন্নবদা মণিপুর গভর্ণমেন্ট দ্রাইভরশিংগী থ্রী টায়র সিষ্টেমগী মরমদা গভর্ণমেন্টকী দিপার্টমেন্টশিংদা হাঙলিবা দ্রাইভরগী পোষ্টশিং মেনশিনবীনবা, ৱর্কচার্জ দ্রাইভরশিং রেগুল্যলরাইজ তৌবীনবা, মাষ্টররোল/কন্ট্রেক্ট বেসিসতা লৈরিবা দ্রাইভরশিংগী সর্ভিসকী মতাংদা মেমোরেন্দম অমসু মিনিষ্ট্রি ওফ দিভলপমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন এন্দ দি ও পি টি মিনিষ্টর ডা. জিতেন্দ্রদা নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেট গভর্ণমেন্ট দ্রাইভর্স ফোরমগী প্রসিদেন্টকী খূথাংদা পীশিল্লক্কনি হায়নসু ফোরম অসিনা থাদোরকপা চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

## ভেক্সিন থিনখিবা দ্রোন থিবা ফংদ্রি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): মণিপুর হেল্থ দিপার্টমেন্টনা থা অসিগী ১৩দা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লৌকোই পাৎতগী সেকমাইজিননচিংবা এরিয়াদা লম্বী-থোংগী ফিভম ফত্তবনা দ্রোননা কোভিদকী ভেক্সিন পুথোক পুশিন তৌবগী থবক চথুরিঙৈদা ইখঙ খঙহৌদনা দ্রোন অদু মাঙখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি হোপসননা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখিবদা, কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন পুথোক পুশিন তৌবদা শীজিন্নখিবা দ্রোন অদু হৌজিক ফাওবা থিবা ফংদনা লৈরি। দ্রোন অদু করিগুম্বা কংফাল ওইবা মফমশিংদা লৈরম্লগদি শোয়দনা থিবা ফংগনি। অদুবু হৌজিক ফাওবা থিবা ফংদনা লৈরিবা অসিনদি দ্রোন অদুগী বেট্রিরি দাওন তৌবা নৎত্রগা নুংশিৎ অকনবা থেংনদুনা লৈমায়দা তারমগদ্রা হায়না চিংনবা লৈ হায়না মীয়াম্না থাজনরি। মফম খঙদনা মাঙখিবা দ্রোন অদু করিগুম্বা মীয়াম্না থেংনবীবা থোক্লবদি বিষ্ণুপুর পুলিস ষ্টেসনদা পাউ পীবিরকউ হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

## হোস্পিটালদা থবক তৌরিবী ষ্টাফ নুপীশিংবু চাক্কৌখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): সী ঐচ সী ৱাঙু লাইফম হোস্পিটালদা থবক তৌরিবা নিঙোলশিংবু হোস্পিটাল অসিমক্তদা থবক তৌরিবা মবুং মৌপ্পা ওইবশিংনা চাক্কৌদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে হায়রি।

ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টর ৱাঙু লাইফমগী হোস্পিটাল অসিদা অনা-লায়েংগী থবক থৌরমশিংদা পূন্না মথৌ তৌমিন্নরিবা দোক্টর, নর্স, পেরা মেদিকেল ষ্টাফ, লেব টেক্নিসিয়ন অমদি গ্রেদ ফোরনচিংবদা লৈবা মবুং মৌপ্পা ওইবশিংনা হোস্পিটাল অসিদা লৈমিন্নরিবা মচল-মচে ওইবীশিংবু পোকমিন্নবা মচে-মচলমক্নি খন্দুনা চহী অমগী মনুংদা য়াম্না তাঙনা অমুক্তং লাকপা নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরম ঙসি পূন্না চাক্লেন চামিন্নদুনা মচে-মচল ওইবীশিংদা অঙন্বা খূদোলপোৎশিং পীদুনা মবুং মৌপ্পা ওইবগী মরী হেন্না চেৎশিলহন্দুনা হোস্পিটাল অসিদা মখা তানা অনা লায়েংগী থবক থৌরমশিংদা কত্থোকপগা অমগা লোয়ননা মীয়ামগীদমক্তা থৌগল তৌমিন্ননবা ফিরেপসু লৌমিন্নখি হায়রি।

হোস্পিটাল মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী মীওইশিংসু পূন্না শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক ফর্ষ্ট ৱেভ অমদি সেকেন্দ ৱেভতা হোস্পিটাল অসিনা মাস টেষ্টিং অমদি মাস ভেক্সিনেসনগী থৌরমশিংদা ষ্টাফশিংনা লৌখিবা থৌদাংশিংবু মায়কৈ কয়াদগী অপেনবা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোক্লরকখিবা লৈখ্রে হায়না হোস্পিটাল মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী মীওই থৌদাম ধমেননা ফোঙদোক্লদুনা হোস্পিটাল অসিদা থবক তৌরিবা দোক্টর, নর্স অমদি ষ্টাফশিংবু থাগৎখি।

পনবা য়াবদি, কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভতা হোস্পিটাল অসিগী ষ্টাফশিংনা মাস টেষ্টিংগী থবক থৌরম চথুরকপা মতমদা দোক্টর অমদি নর্সশিং য়াওনা হোস্পিটল অসিগী ষ্টাফ তরুক কোভিদ পোজিটিভ ওইরক্তুনা হোস্পিটাল অসিদা ক্বারান্টিন তৌখিবা মতমদসু হোস্পিটালগী ষ্টাফশিংনা মীয়ামগীদমক্তা লৌখিবা থৌদাংশিং অদুবু অপেনবা পোক্তুনা সুগ্নু এ সীগী এম এল এ রঞ্জিৎ, লন্নাই মীওই অমদি মায়কৈ কয়াদগী অঙম অঙন্বা তেংবাঙ কয়াসু পীরকখিবা লৈখি।

## অশেংবা ইরল ফিল্মগী টিমনা অহল-লমনশিংবু ইকায়খুম্নখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচএনএস): দোসুয়লি ফিল্ম প্রদক্সনগী বেনর মখাদা পুথোক্তুনা সুটিং তৌরিবা অশেংবা ইরল হায়রিবা ফিল্ম অসিগী লোইশিনবগী শরুক অমা ওইনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংবলদা লৈবা সীনিয়র সীটিজেন হোমদা লৈরিবা অহল লমনশিংবু খোং-খূৎ হাম্বিদুনা খুরুমজবগা লোয়ননা চাকলেন অমা চামিন্নদুনা য়াইফ থৌনি নিবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমগা মরি লৈননা ফিল্ম অসিগী প্রদ্যুসর অমদি ষ্টোরি রাইটর ক্ষেত্রিময়ুম সুভদনিনা ফোঙদোকখিবদা মমা-মচাগা লৈনবা মরি হায়বসি কোমথোকপা য়াদে। অহল-লমনশিংবু থৌগল তৌবনা শেম্বিবা তাইবঙ মপুগী থৌগল তৌবগা চপ মান্নৈ হায়বগী ৱাখল্লোলদা য়ুম্ফম ওইরগা পাঙথোকপা থৌরমনি। লমদম অসিদা ঙসিদি অহল ওইরবা মমা-মপাশিংবু লুনা-চান্না তৌবীবগী মহুত্তা ওল্ড এজ হোমদা থম্বা কয়া উরে। অসিগুম্বা তৌহৈদ্রবা থবকশিং অসি তৌহন্নিংদে। মরম অদুনা হৌরক্লিবা মীরোলশিংনা খন্থহন্নিংই হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি ফিল্ম অসিদা মরুওইনা এভি খুন্দ্রাকপম, সুনিল মাইবোই, নোংথানঙানবি, দয়ানন্দ, ইথোই ওইনাম, রনমিলা, সঞ্জানানচিংবনা মমিরোইশিং ওইরি। ফিল্ম অসি ক্ষেত্রিময়ুম সুভদনিগী ৱারিদা মনাওবি এমএমনা স্ক্রিনপ্লে তৌরিবা ফিল্ম অসিগী দিরেক্টরনা ওসী মৈরানি হায়রি।

/নপ মহী তাবা, নাহী তোয়না তাবা, নাতোন ফুনবা, নাতোন্দা শ্বর হোনবদা ৱাবা, নাতোন্দা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কচিবা, লোক তোয়না থুংবা, উফুল মরক্তা চৎপা য়াদবা, হৈ অমদি অঈংবা ওইবা পোৎ চাবা য়াদবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা সাইনসনা য়াম্না কন্না নাদুনা নপ মহী তাবা, নাহী তোয়না তাবা, নাহী অসিনা তাদুনা কোক ঙাওবা, কোক তোয়না চিকপা অমদি নুংশা মঙালদা থোকপা য়াদবা কোক লুম-লুম লাউরগা লৈবা, নাতোন অনীমক ফুনবা, নাতোন্দা শ্বর হোনবদা ৱাবা য়ারোমদসু হোনবা, নাতোন্দা মরেং-মরেং চৎপগা হাক্কৎচবা, লোক তোয়না থুংবা, উফুল মরক্তা চৎপা য়াদবা লাইহৌ তোয়না হৌবা, হৈ অমদি অঈংবা পোৎ চাবা য়াদবা, চারগনা সাইনস নাবা হেনবা, ঙকশম মরী নাবা, মীৎ মরী অসিসু চিকপা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **T. Premkumar Singh**
Yaiskul

HL-B/7236/16

### /ইংখোল য়োঞ্জরি

Imphal East কী নহারুপ অৱাং লৈকাইদা ০.৯ চাওবা ইংখোল অমা অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাদা পীজরিবা Contact No. অসিদা পাউ ফাওবিরকপা য়াগনি।

**# 9366538958**
**# 9366552055**

HL-P/0628/15,16

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG

**Ref. Mutation Case No. 467/SDC/W of 2021**

App: 1. Oinam Ibodhem Singh S/o (L) Mangi Singh of Arong Khunjao
2. - do - Tombi Singh S/o - do - of - do -
3. Loukrakpam Ibungomacha Singh S/o Ibobi Singh of - do -
4. Thokchom Aber Singh S/o (L) Shamu Singh of - do -

-Vs-

Opp: (Late) Oinam Thoppa Singh S/o (L) Nungnang Khomba Singh of Arong

**/ NOTICE**

Dated 15-11-2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং ৮৪-অরোং পাট্টা নং ৫ দাগ নং ৫৪০, ৫৫৪ এরিয়া .৪৮, ৪.১৭ একর চাওবা তাওথবী ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবিরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবিরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবি মতুং ইন্না কেস মখা চত্থজগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Waikhong

HL-P/0641/16

### চিলদ্রেন হোমগী সুপরিন্টেন্দেন্ট পামজৈ

ইম্ফাল ইষ্টকী কৈবী সনাপাৎতা লৈবা য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ১ পামজৈ। লৈফম, চাফম পীজগনি। থাগী পেদি ইন্টর্ভিয়ু নুমীৎতা লেপ্পগনি। মহৈগী থাক গ্রেজ্যুএটতগী তাদবা ওইগদবনি। শাওগন্দবা, মৈখুনচিংবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নদবা, অঙাংশিংবু ঈংনা-চিক্না লোয়নবীবা ঙমগদবা মীওই পামজৈ। য়াইবিলেনগী লুচিংবদা এদ্রেস তৌবা এপ্লিকেসন নবেম্বর ২৫ ফাওবগী মনুংদা মখাগীসিদা পীশিনবীয়ু। এপ্লিকেসনদি মখাগী মীওইসিদা নৎত্রগা কৈবী সনাপাৎকী য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা পীশিনবীয়ু।

হায়জরিবা : **কুমার য়েংখোম**
এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি য়াইবিলেন
নাওরেমথোং কৈথেল, ইম্ফাল
ফোন নম্বর : **8794223604**

HL-P/0626/14,16

### OFFER OFFER

### / য়েন্নাও অমদা লুপা ২৫, ঙানুনা লুপা ৩৫দা ফংবীগনি।

লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমীৎতা Kuroiler, Black Rock, FFG, Banaraja, Layer (B.B.380) অমদা লুপা ২৫দা ফংবীগনি। ঙানু মচা White Pekin, Muksan, Khaki অমদা লুপা ৩৫দা ফংবীগনি। Farmer শিংনা advance booking তৌবীয়ু। থাংজ খূদিংগী য়েরুম, ঙানু মরুম হাপচগনি। য়ুমশকৈশা খূদিংগী Japanese Quail মরুম হাপচগনি। ঙানু Size অমদি Silky পাম্বীবশিংনা Phone তৌবীরকউ। ঙানু মরুম্না Machine দা হাপ্পুনা percentage ৱাংনা ওলহনবা ঙম্বা মতম অসি October দগীনা March থা ফাওবদা কোকপা মরুমশিং অদুনি।

লেংশিনবীরকসি : **EMOINU HATCHERY**
**Near BSNL & Postal Colony, Eastern Ground Leirak, Palace Compound, # 9436085117**

HL-P/0643/16

### OFFICE OF THE MANIPUR FOOD & MEDICINAL PLANTS PROCESSING AND COLD STORAGE CO-OPERATIVE SOCIETY LTD., LAMPHELPAT KOMBIREI ROAD

**/ NOTIFICATION**

21st October, 2021

No.1/MFMP/NT/21 : In pursuance of the resolution No. 4 the Board of Director's meeting of the Manipur Food and Medicinal Plants Processing and Cold Storage Co-operative Society Ltd., held on 2/9/2021 and R.C.S. Manipur, approval convey vide letter No. P-Coop/68-89 Pt-(V) dated 27/09/2021. It is hereby notified for General information that applications are invited from Cooperative society and individual members which is a grower of fruits and vegetable, food and Medicinal Plants and interested in the manufacture of processing of food, fruits & medicinal plants for new admission to "A" Class and "C" Class member of the society.

The "A" Class member will be representing from Co-operative society and the "C" Class member will be presenting from individual member.

2. The intending Co-operative society and individual members for new admission to "A" Class and "C" Class member must have the following requirement.

i) The members must have attained 18 years of age on 1st January 2021.
ii) The value of one share of "A" and "C" Class is Rs. 2000/- as per bye-laws clause No. 3 (i) (a) & (c).
iii) The intending Cooperative society or individual member should subscribe atleast 5 (five) shares is Compulsory.
vi) The value of share be payable in full at the time of admission along with admission fee.
vii) Duration of new admission should be admissible within 6 (six) month from the date of issue the notice.

No further invitation shall be entertained after the given timeline mentioned above.

Sd/- **G. Rajenkumar Rongmei**
Managing Director

HL-P/0630/15,16

### GOVERNMENT OF MANIPUR OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)

**/ NOTICE FOR OBJECTION**

**Imphal, the 15th November, 2021**

**No.Prop/SR/IW/2021:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **" The Jawa Motorcycle Club"** Uripok Khoishnam Leikai on 12/11/2021 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of **"Imphal West"**.

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/ Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/Organisation/ NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/ hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained. **(Further you can contact 7005476625 for any objection/quarry)**

*Sd/-* **I. Rajen**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/0638/16

SPECIAL OFFER SPECIAL OFFER

## M/S N.K.S. BRICK FIELD

**NEAR KHONGJOM WAR MEMORIAL GATE**
**GSTIN NO. 14HFIPS8066E1Z1**

| Brick Class | Rate per Brick | No. of Bricks | T/C | L/C | Total Charge |
|---|---|---|---|---|---|
| 1st Class | Rs. 14.50 | 1500<br>2000 | 2000<br>2500 | 600<br>700 | 24,350/-<br>32,200/- |
| 2nd Class | Rs. 13.50 | 1500<br>2000 | 2000<br>2500 | 600<br>700 | 22,850/-<br>30,200/- |
| 1st Reject | Rs. 13.00 | 1500<br>2000 | 2000<br>2500 | 600<br>700 | 22,100/-<br>29,200/- |
| 2nd Reject | Rs. 12.00 | 1500<br>2000 | 2000<br>2500 | 600<br>700 | 20,600/-<br>27,200/- |
| 1st Petty | Rs. 12.00 | 1500<br>2000 | 2000<br>2500 | 600<br>700 | 20,600/-<br>24,200/- |
| 2nd Petty | Rs. 10.50 | 1500<br>2000 | 2000<br>2500 | 600<br>700 | 18,350/-<br>24,200/- |
| 3rd Class | Rs. 7.00 | 1500<br>2000 | 2000<br>2500 | 600<br>700 | 13,100/-<br>17,200/- |

**Contact No.:- 8730097406 / 8118999999**

HL-B/7281/15-24/11

## ANANDASING YOGA & NATURE CURE RESEARCH HOSPITAL

**Machin-Manao Hills, Kakching Bazar, Manipur**

### 4th NATUROPATHY DAY CELEBRATION ON 18TH NOV. 2021

### TO PROMOTE POSITIVE MENTAL AND PHYSICAL HEALTH THROUGH A DRUGLESS SYSTEM OF MEDICINE

5 Days Free Naturopathy & Yoga Treatment Camp to be organized from 18th to 22nd Nov. 2021 at ***Anandasing Yoga & Nature Cure Research Hospital, Kakching*** in relation to 4th Naturopathy Day Celebration.

"The Day Mahatama Gandhi Signed the Deed of all India Nature Cure Federation witnessed by Sardar Vallabhbhai Patel to start Naturopathy Treatment in India".

**Nature Cure & Yoga Treatment is suited for Non-Communicable Disease Like,**

1. Diabetes
2. Hypertension
3. Osteo Arthritis & Rheumatoid Arthritis
4. All types of muscles and joint pain.
5. Obesity
6. Insomnia
7. Piles
8. Paralysis etc.

***N.B. Food will not be Provided for indoor patients.***

HL-P/0644/16